**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-08-2025)**

**কোকোমি (এল)ঃ** মনিপুর ৱাথোক্কী মতাংদা পি.য়ু.সি.এলনা পুথোরকখিবা রিপোর্ট অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা রিপোর্টনি হায়না কো-ওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোকোমিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-অসিগুম্বা মীচং মীখায় নায়বা রিপোর্ট অসিনা রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না লান্না লৌনবা য়াবা ফিভম অমা লাকহল্লে। ইম্ফালদা কাংলুপ অমগী মীওইশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা ইরাং থোকপদগী চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীদা মখা তানা ইরাং থোরকখিবনি হায়রিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি। মনিপুরগী ৱাথোক অসিগী অহানবা ইরাং হৌরকখিবদি চুরাচান্দপুরগী তোরবুং অমসুং কংবাইদা কাংলুপ অমগী মীয়ামনা মফমদুদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ুম মৈ থাবা য়াওনা কা হেনবা হিংশাগী থৌওংশিং চত্থরকখিবদগী থোরকখিবনি হায়বসি মালেমগী মীয়ামনা নীংথিনা খঙলবসু পি.য়ু.সি.এলনা খঙলম্লদবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মখোয়গী রিপোর্ট অদুদা শান্তি অমসুং অচুম্বা ৱায়েলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অমদি নার্কো টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংনা নেসনেল সেক্যুরিতিদা শিংনরক্লিবশিংগী মতাংদা অমত্তা ফোংদোক্তে।

**কন্দেম (এল)ঃ** পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিভরটিজ (পি.য়ু.সি.এল) না মনিপুরগী ৱাথোক অসি মীতৈ ফুরুপনা হৌরকখিবনি হায়না হন্দক্তা থা অসিগী ২০ দা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু মতিক চাবা প্রমান লৈতনা মীতৈ ফুরুপতা মরাল শিবনি হায়না ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরগী চেয়ারমেন-

মিনেকেটন পাটনায়কনা ফোংদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী পটনায়কনা হায়-পি.য়ু.সি.এলনা পুথোরকখিবা রিপোর্ট অদুগী মরমদা কুপা থিজিনবদা মখোয়না মীতৈ ফুরুপ্তা শিরিবা মরাল অদুগা চান্নবা মতিক চাবা প্রমান অমত্তা ফংবা ঙমদে। মখোয়না নীংথিনা থিজিনবা তৌদনা অসিগুম্বা ৱাফম অমা হেক্তমক ফোংদোরকপা অসিনা অনৌবা ৱাথোক অমা লাকহন্নবগী বার্ত্তন তৌবনি। মরম অদুনা, পি.য়ু.সি.এল. হায়রিবা লুপ অসিবু খুদক্তা থিংজিনগদবনি অমসুং মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী রাস্ত্রপতি, প্রধান মন্ত্রি অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেলদা চেরোলশিং থাদুনা তকশিল্লগনি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা আর.পি.আই (অথাৱালে) গী নেসনেল সেক্রেটরি-মহেশ্বর থৌনাওজমনা হায়-পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অদুদা মনিপুরগী ইরাং অসি ইম্ফালদগী খুৎলায় পায়বা মীতৈশিংনা হৌরকখিবনি হায়রিবা অসি নাকল অমখক্কী ওইবা য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি হায়বসি লৈবাক মীয়ামনা হেন্না খঙনরবনি। অসিগুম্বা মীয়ামবু লান্না লমজিংবা য়াবা ৱাফমশিং ফোংদোরকপা অসিগীদমক পি.য়ু.সি.এলগী মথক্তা নীংথিনা থিজিনদুনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবসু মহাকা দাবী তৌরি।

পাউগী মীফম অদুদা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরগী জেনরেল সেক্রেটরি-হরিশ কোলিসু শরুক য়াখি।

**চাইল্ড (এল)ঃ** অঙাং য়াওনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওই অহুম হৌখিবা থা অনি অসিদা বিষ্ণুপুর জিলা খক্তদা মথন্ত শিজবনি হায়বা থৌদোকশিংদা লৈখিদবদা মনিপুর কন্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা নুঙনাংবা ফোংদোকখ্রে।

কন্মিসন অসিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মথন্ত শিজবগী

থৌদোকশিংদা অঙাংশিং শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা ষ্টেট চাইল্ড পোলিসি খুদক্তা নোটিফিকেসন থোক্কুনা চৎনহনগদবনি। সাইবরগা মরী লৈননা অঙাং অমদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা চৈথেং পীরক্লিবা অসি নীংথিনা য়েংশিনবা ঙমবগীদমক সাইবর ক্রাইম পুলিসকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনগদবনি। স্কুলশিংদা মহৈ মশিং তম্বদা সাইবরগা মরী লৈননা থোরকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকবা সেলেবসতা হাপ্পুনা তাকপী তম্বীগদবনি। অঙাংশিংগী পুন্সি, মখোয়গী পুকিং ৱাখল অমসুং হকশিং নীংথিনা ঙাকপী শেনবীনবা থবকশিং অথুবা মতমদা লৌখৎনবসু কম্মিসনগী চেরোল অসিনা মখা তানা তকশিল্লি।

**তোবেকো (এল)ঃ** হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর-ডা: চমবো গোলমৈনা হায়রি-হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা অমাং-অতা থোকহন্দুনা মীওইবগী পুন্সিবু খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লি।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা আই.এন.এগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড নো তোবেকো ডেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ডা: চমবোনা হায়-হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা থম্বোবী, কিডনি, লিভর অমদি ব্রেনদা ফাওবা শাথিনা শোকহল্লি।

লৈবাক অসিদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবদগী মিনিট অনি খুদিংগী মীওই মঙা শিরি। পোৎলমশিং অসি শিজিন্নবনা কেন্সরনা নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। হকচাং ফাবনা লননি হায়বা ৱাখল্লোন অসি মীয়ামনা নৌহৌননা নিংশিংদুনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবা তোল্লুসি হায়নসু দাইরেক্তরনা আপিল তৌখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবগী অমাঙবা মীয়ামদা খঙহন্নবগী খোঙথাং নীংথিজনা লৌখৎলিবা জিলাশিংদা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসকী দিরেক্তর-ডা: এন.

হেমন্তকুমার অমসুং এদিসনেল দাইরেক্তর-ডা: এন. বিনো শরুক য়াখি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মীওই অমা নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী মীওই অহুম টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই অমা পোজিটিব ওইখিবনি।

হন্দক্কী কোবিদ লায়চৎ অসিদা পুন্না মীওই ৩৬৫ পোজিটিব ওইবগী মনুংদা মীওই ৩৬১ নাবা ফগৎলকখ্রে। হৌজিক এক্তিব কেস মরি লৈরি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** কংগ্রেস সেভা দল লিংখৎখিবা ডা.নরায়ন সুববরাও হরদিকর লৈখিদবগী চহী ৫০ শুবা কুমওন থৌরম মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি অমসুং সেভা দল মণিপুর কংগ্রেস কম্মিতিনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি বি.টি রোদ ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী ফোতোদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা লুচিংদুনা কংগ্রেস লুচিংবশিং অমদি কর্মিশিংনা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়-লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা সেভা দল লিংখৎতুনা কংগ্রেসকী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনরমখি। দল অসিগী মরুওইবা থবক থৌরম কয়াদা সেভা দলনা থকশি খাশি লৈনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং জিলা ১২ দা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-তমেংলোং, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা ময়াই ওইরপা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই।

**ফিশাকোন (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগী মরক্তা ফিশাকোন দরকার লৈবা মীওইশিং খঙদোকবা রিলিফ কেম্পশিংগী নোদেল ওফিসারশিংদা খঙহল্লি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ফিশাকোন দরকার লৈবা মীওইশিংগী মমিং, থা অসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি।

**অভিয়ান (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিনদুনা আদি কর্মাযোগী অভিয়ান, জিলাগী থাক্তা হৌদোকখিবগা লোয়ননা ওরেন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু চুরাচান্দপুরগী এ.দি.সি. থাংবোই গাংতেনা হৌদোকখি।

অভিয়ান অসি লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল মীয়ামগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা সরকারনা হৌদোকখিবনি।

**আরএসএস (এল)ঃ** অৱাং নোংপোক ভারতপু নেসনেল এনথেমদা য়াওহনবীনবা রাস্ত্রহিত সরবোপারি সঙ্গথননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা তকশিনখ্রে।

সঙ্গথন অসিগী নেসনেল পসিদেন্ট-সোহান গীরি অমসুং পেত্রোন-ইন্দ্রজিৎ মোইরাংথেমনা সহি তৌদুনা প্রধান মন্ত্রি ওফিসতা ঙসি পীশিনখিবা চেরোল অমদা ৱাফম অসি তকশিনখিবনি।

**ডে (এল)ঃ** কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লুপ-নম্বোলগী ৫৩ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি নম্বোল টাউন্দ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চহি য়াল্লবা অহলশিংদা পেন্সন য়েন্থোকপা অমসুং ইনাৎপু য়োকখৎপীরম্বা লৈখিদ্রবা অহলশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা

শক্তম ওইখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপাল-এস.লনচেনবনা হায়-ঐখোয়না ঐখোয়গী হপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা নাৎ-চৎনবীশিং ঙাক্তুনা চৎনবা হোৎনবদা থম্মোয় শেংনা থৌদাং লৌবা চুম্মী। মীওইবনা মশেলগী মরক্তা মান্নদবা থাক কয়া খায়দোক্লবসু ঈশ্বরগী মীৎয়েংদদি মীওইবা পুমমক অমত্তনি।

**নোনে (এল)ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী শেম্বগী থবক তৌরিবা গনপতি কম্পানি অমসুং নোনে জিলাগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা ঙসি মীফম পাঙথোক্তুনা লোংমাই বজারগী অকোইবদা দ্রেন শেম্বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

মন্ত্রালয়গী গাইদ লাইন মতুং ইন্না দ্রেন শেম্বগী থবক নীংথিনা চত্থনবা সি.এস.ওশিংনা তকশিনখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ককচিং ৱাইরি নিংথৌ পরেংদগী হৌরগা লৌশি খুঙ্গাউ ফাওবগী লম্বী অসিগী ফিভম য়ামা ফৎত্রে হায়রি।

য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন-ককচিং ৱাইরিগী প্রসিদেন্ট-মোইরাংথেম ব্রোজেননা ঙসি পাউমাশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা হায়-লৌমী মীয়ামগী য়ামা মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা লম্বী অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিতিনা শেমজিনবীয়ু।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাটকী হনসালপুরদগী মেদ ইন ইন্দিয়া বেটরি ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকল, ই-ভিতারা লমথাখ্রে। গাড়িশিং অদু য়ুরোপকী লৈবাকশিং অমদি জপান য়াওনা মালেমগী লৈবাক ১০০ হেনবদা য়োনগনি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা গুজরাটতা লৈরিবা প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি

অহমেদবাদকী হনসালপুরদা সুজ়কি মোটোরগী মেলা অমসু চৎতুনা য়েংখি। ক্লিন ইনজির্গী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা প্রধান মন্ত্রিনা হাইব্রিদ বেটরি ইলেক্ত্রোদস পুথোকপগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ইন্দিয়াস বেটরি ইকো সিষ্টেমসু হৌদোকখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ঙসি অসি গ্রীন ইনজির্গী লমদা য়ামা মরুওইবা নুমিৎ অমনি। ঙসি গ্রীন ইনজির্গা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিনা লৈবাক অসিদা গ্রীন ইনজির্গী লমদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙম্লগনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙসি বিশ্বখাপতনমগী ইষ্টর্ন নেবেল কন্মান্দদা আই.এন.এস. উদয়গীরি অমসুং আই.এন.এস. হিমগীরি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

আই.এন.এস. উদয়গীরি অমসুং আই.এন.এস. হিমগীরি অসি ভারত নেভিগী এদভান্স ফ্রন্ট লাইন ফ্রিগেটশিংনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ভারত সরকারনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবা অমসুং মেক ইন ইন্দিয়া মায় পাকা পায়খৎলকপদগী অসিগুম্বা তাঙ্কক অসি য়ৌবা ঙম্লকখিবনি। খোঙথাং অসি পায়খৎলকপদগী ভারত নেভিদা মতমগা চুন্নরবা লানগী জহাসশিং য়াওনা অনৌবা টেকোলোজি কয়া হাপচিনবা ঙমলে।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ নিনিগী ভাইব্রেন্ট ভিলেজেস প্রোগ্রামগী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-ঙমখৈ লমদা খুন্দারিবশিংগী মীশিংদা অহোংবশিং থোকপনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা অমসুং মফম অদুগী ঙমখৈ লমদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। ভাইব্রেন্ট ভিলেজেস প্রোগ্রাম অসি মোদি সরকারনা ঙমখৈ লমগী খুঙ্গংশিংদগী য়ুম হোংবগী চাং হন্থহন্নবা অখন্ননা

পায়খৎখিবা থৌরাং অমনি। থৌরাং অসিগী মখাদা ঙমখৈ লমদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎতুনা থবক পীবা হেনগৎহন্নবা, নাৎ-চৎনবী য়োকখৎনবা অমসুং লম কোইফমশিং হেন্না শেমগৎনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা গনেস চতুরথিগী মাংওইননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

মহাকা হায়-ভগবান গনেসপু নীংজবনা হকচাং ফনা লৈবা অমসুং ৱাখল লৌশিং হেনগৎহনবা ঙম্মী হায়না থাজনরি। মরম অদুনা গনেস চতুরথিনা লাকপদা ভগবান গনেশপু নীংথিনা খুরুমজদুনা য়াইফ থৌজাল নীরসি।

**ফুটবোল ঃ** তমেংলোং ফুটবোল লিগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দাইলোং-ৱাইও অমসুং এম.বি.সি. পাঞ্জল অনি-অনি চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। হয়েং তাপুৱাংচা ফুটবোল ক্লবকা বুলস য়ুনাইটেদকা শান্নগনি।

**ওকপা ঃ** থাহলেন্দগী বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা ৫৭ শুবা এসিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মনিপুরদগী চোংথাম বলনসলিনা কিলোগ্রাম ৭৫ গী কাংলুপ্তা লুপাগী তকমান অমসুং থোকচোম সনজিতানা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৫ গী কাংলুপ্তা শেঞ্জেংগী তকমান ফংবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা শান্নরোই অহুম-রিকি হাউৱাইবম, ময়াংলম্বম ওলেনজিৎ অমসুং লৈশাংথেম কুমারজিৎ মীতৈনা মখোয় মখোয়গী কাংলুপ্তা মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা তাখি। শান্নরোইশিং অদু ঙসি ইম্ফালদা থুংখ্রে।